হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ১৬, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৭২শুবা মশীং

# অঙাংশিংগী হোংলক্লিবা মওং মতৌ

## মোবাইল ফোন্দা শানবা ওনলাইন গেমদগী লাপথোকহন্নবা হোৎনবা চুমগনি

মতমগী অওনবা মতুং ইন্না ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিসু খম থেংনা চাওখৎলক্লে। মাইল লিশিং-লিশিং লাপ্পনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈনখ্রবা মীওই অনী খূদক্তা হেক্তা শক-শক উনদুনা ৱারী শানবা ঙম্লে। কনাগুম্বনা লংফৈদা চৎপা তারবসু অপাম্বা মতমদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা ৱারী শানবা য়ারে। মতম অমদদি ইমুং-মনুংগী মীওই অমনা লংফৈদা চৎখিবা তারবসু মীওই অদুনা য়ৌরগা চিঠি থারক্লবা মতমদতা মহাক্কী মপাউ তাবা ঙম্লম্মী। মরম অদুনা চিঠি ঙাইবদতা অৱাবা অমা ওইরম্লিবনি। ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না মোবাইল ফোন থোরকপদগী ঙসিদি খূদক্তা হেক্তা পাউ ফাওনবা য়ারে। থাপ্লবা মালেমগী মফম অমদা থোকপা থৌদোক-ৱাথোকশিং ইনক-নক্না মীৎমাঙদা থোকপগুম তশেং-তশেংনা উবা ফংলে। অদুম ওইনমক হীরম খূদিংমক্তা অমাঙ-অতোং লৈবগুম ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি চাওখৎলকপগী মতাংদসু অফ-ফত্ত খরদি অদুম্মক লৈরি। অফবা-কান্নবা হীরমদা শীজিন্নবগী মহৎতা ৱাটসএপ অমদি ফেসবূকনচিংবা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মবু অরানবা মওংদা শীজিন্নবগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংলে। সোসল মীদিয়া লান্না শীজিন্নরুবদগী মীওই কয়া অৱাফমদা তাবসু লৈখ্রে। ফৎতে তৌরুনু হায়বা থবকপু অমুক্তা ওইরবসু চাংয়েং তৌনীংবা হায়বসি মীওইবগী হৌনশানি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবা ফৎতে খঙনা-খঙনা চাংয়েং তৌরুবদগী লাইচুবা মীশক অমা ওইরক্তুনা খাঙুথক্তা পূন্সি লোমখিবা মীওই কয়া য়াওরিবনি। মহৈ-মশীন তম্বদা পূক্নিং চঙনদবা অঙাংশিংনা মোবাইল ফোন্দা তোঙান-তোঙানবা ওনলাইন গেম কয়া শান্নদুনা অরেম্বদা মতম মাঙহনবগী মওং অমসু উবা ফংলি।

নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি মতম লৈবা খিবিক্তা ভিদিও গেম শান্নদুনতা লৈবা ভিদিও গেম এদিক্সনবু পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা লায়নানি হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না লাউথোরক্লিবা অসিনি। দব্লিয়ু ঐচ ওগী ইন্টরনেসনল ক্লাসিফিকেসন ওফ দিজিজেজ (আই সী দি)না ভিদিও গেমদা এদিক্ট ওইবগী থৌওংবু মেন্টেল হেল্থ দিসওর্দরনি হায়রি। দব্লিয়ু ঐচ ওদা মেন্টেল হেল্থ অমসুং সবষ্টেন্স এব্যুজগী এক্সপর্ট ওইনা লৈবা শেখর সক্সেনানা হায়খি কনাগুম্বা মীওই খরদি তূম্বা চাবা অমসুং নোংমগী তঙাইফদবা মশাগী শীন্থা কাউথোক্তুনা নোংমদা পুং ২০ ফাওবা ভিদিও গেম শান্নবা য়াওই। দিজিটেল অমদি ভিদিও গেম শান্নবা মীওইশিংগী মনুংদা শুপ্নগী মীওই খূজোক খরখক খূদোংচাদবা অসি মায়োক্নরবসু হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তারে হায়না অখঙ অহৈশিংনা মত পীরি। মদুমক্না মরম ওইরগা ভিদিও গেম এদিক্সনবু দব্লিয়ু ঐচ ওগী ইন্টরনেসনল ক্লাসিফিকেসন ওফ দিজিজেজ (আই সী দি) দা য়াওহল্লকপনি। হৌখিবা চহী ১০গী মনুংদা নৌনা শেমখিবা আই সী দিদা তোঙান-তোঙানবা মখলগী লায়না ৫৫,০০০ রোম য়াওরি। মসিদা য়ূম্ফম ওইরগা দব্লিয়ু ঐচ ও অমদি অতৈ এক্সপর্টশিংনা খুন্নাইগী ওইরিবা হকশেলগী ফীভম য়েংদুনা মীওইবগী পূন্সি কন্নবগী থৌশিল শেম্লকপনি। মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড হেল্থ এসেমব্লিদা নৌনা শেমদোক্লবা আই সী দিগী লিষ্ট অসি মেম্বর লৈবাকশিংদা য়েম্থোকখি। কুমজা ২০২২ গী জন্যুৱারীদগী চৎনহন্নবা পান্দম থল্লিবা আই সী দিগী মতুং ইন্না কম্প্যুটর গেম অমসুং ভিদিও গেমদা লাইচুবগী থৌওং অসি তরাইনা লৌবা য়ারক্ত্রে। ভিদিও গেম অমদি মোবাইল গেম অয়াম্বদা শান্নরিবা মীওই অদুনা তাঙ্কক অমা মায় পাকপা মতমদা মথংগী অতোপ্পা তাঙ্কক অমা অমুক শান্ননীংবগী অপাম্বা ফাওরকই। মসিনা মরম ওইরগা মতম হৌখিবা খঙহৌদে অমসুং ইশাগী ইথৌদা পূক্নিং চঙবা ঙমহন্দে। তূম্বা-চাবা খঙদবমখৈ ভিদিও গেম অমসুং মোবাইল গেম খক্তবু লাইনিং ওইহল্লকপা য়াবগী ফীভম লৈবা মরম্না লৈঙাক্লসু, খুন্নাইনসু হীরমসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোক্লে। অমরোমদা, লৈঙাক্কীদি থৌশিল শেম্বখক্তনি। অঙাংশিংগা অয়াম্বা মতমদা লোয়নগদৌরিবদি মমা-মপানি। মরম অদুনা লৈমিন্নরিবা মমা-মপা ওইবশিংনা চেকশিনবগী তঙাইফদবা মতম ওইরে হায়না লৌই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২

১। "কংলাগী কৌপরু চিথেক্তা পুঙ অমা লৈপনে। লৈশা পুঙ কৌএ। অদুদা য়াই কৌপা নুঙ অমা লৈবনে। মচুদি হিগোকনে। মশক্তি নুওক্কী মশকনে। শা অমগী ঈনা লাৎও। মথংদা লাইখোংগী চিথেক্তা ঈ কৌপা নুঙ অমা লৈএ। লাইশক্তি শামুগী মশকনে। মচু মুইএ। খুরু খুদক কূন্না লৈএ। উহৈদে। উরবদি লৈপাক তাকএ। ওক্কী ঈনা লাৎও। কৌপরুগীদি অসিনা খৈরে।" মথক্কী পরেংশিং অসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?

২। "শৈদম শৈরেং" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা চহীদা অহানবা ওইনা ফোঙবগে? স্কুলদা তম্নবা টেক্সবুক লাইরিক ওইনবা কনানা লৈখিবগে?

৩। শক্লাইরবা অইবা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহনা অহানবা ইখিবা লাইরিক্তু করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং করম্বা চহীদা অহানবা খূৎনম পুথোকখিবগে?

৪) "ভক্তরাজ" গী অইবা থিয়েটর এক্টিভিষ্ট অদু কনানো?

৫) মখাগী শৈরেং মতেক অসি লৌথোকফম ওইরিবা অরিবা শৈরেং অদু করি মমিং কৌবগে?

"শিনয়োম নুংগী ইরকপা
কোঙয়াং ৱা-ই-ইরকপা
খেৎফরোই দে।
তাইবঙ ইরেন পূংশিবু
লাইজা ইরৈ চনগুম্মে
খঙঙমদে দে।
তাল্লোয় নুংচান ৱাদুনা
খোংফৈ চীরোন চন্নদি
লমদল্লে দে।"

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউ-খুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১গী পাউখুম ৩ চুম্না থাবীরকখিবদি

*১) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল*

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১গী ৱিন্নর

**থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল**

লিটরেরি ক্যুইজ ১গী মনা লাম্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম সেপ্টেম্বর ২০, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাম্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১গী পাউখুম

১। মণিপুরী সাহিত্যগী চানক্য শ্লোকনি হায়নফাও শীংথানরিবা লাইরিক অদু করিনো? *: লাংলোন*

২। "লম্লান কাইগী খোয়রোয়দি লোয়ুম্বা পাম্মু নংবু
মীচা পোক্তি নুংশিবা। চেংগৈ পাৎতা পাইবা-খোই,
ঙাঔ পাৎতা চাকতাবা, চিংজাও খোইমু লৈপাম্বা,
তত্ব মুহি খাংনৌবা"
মথক্কী অসি কনানা কনাদা শৈথাবনো? করম্বা মতাংদনো? ***: খোইবীনা খম্ববু কৌদুনা শৈথাবনি। হিজম অঙাংহলনা ইবা খম্বা থোইবী শৈরেংগী লমজেল হায়বা মতাংদগীনি।***

৩। মণিপুরী সাহিত্যগী অঙনবা মতমদা ফোঙখিবা ৱারী মচা অমনি "বাসন্তিগী নুংশি-মীনোক" হায়বসি। ৱারী মচা অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা চহীদা ইহান হান্না ফোঙখিবগে? ***: খাইদেম প্রমোদিনীগী ৱারীমচাগী লাইরিক 'পুন্সি-মৈরা' হায়বদুদা য়াওবনি। অহানবা ফোঙবা ১৯৫৮।***

৪। "নিঙোলগী হৌনসানি। মৈতৈ লৈপাক অরাপ্পা নত্তে, য়ুম্লোন্নবনি, থাপতোক্নবা য়াদ্রবনি। ...মৈতৈ নত্তনা চীংগী কনাসু লৈতে, মৈতৈগীসু ঐখোয় নত্তনা লৈতে।"
শক্লাইরবা অইবা অমনা ইবা উপন্যষ অমদগী লৌথোরকপা য়াম্না খঙনরবা ৱাহৈ পরেংশিংনি। মসি কনানা কনাদা হায়বনো? ***: হিজম গুণ সিংহগী 'লমন' উপন্যাষতগীনি। প্রোটাগোনিষ্ট ওইরবী চংনিংগী মপা খৌপুম কবুই খুনগী খুল্লাকপদা মবুং থোকপা গাইরেমনংনা হায়বনি।***

৫। মণিপুরগী শক্লাইরবা নোবেলিষ্ট ব্রজমণি মাইস্নাম্বনা ইবা ত্রিলোজি নিংথেমনুবী হায়বসি করম করম্বা নোবেলশিংনা পূনশিনবনো? ***: (ক) নিংথেম্নুবী : পোনগী উচেক; (খ) নিংথেম্নুবী : অহিংগী লাইবার; (গ) নিংথেম্নুবী : কোনুং মীহাৎ।***

# মহিক-মতাই চেল্লবা, পুমথরক্লবা চিঙ্গাকশিংবু খঙবা ঙম্বা সেন্সর

সাইন্সকী খোঙচৎ
**কুঞ্জো নাওরেম**

ঐখোয়গী থৱায় ওইরিবা চিঙ্গাকশিংনা করিগুম্বা মতমদা ঐখোয়গী য়েক্নবা ওইরকই; মহিক-মতাই চেল্লবা নৎত্রগা পুমথরক্লবা চিঙ্গাক চারুবদগী লায়না কয়া পোকহল্লকই। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী মতুংইন্না মহিক-মতাই চেল্লবা চিঙ্গাকশিংনা মীওইবদা লায়না ২০০দগী হেন্না নাহল্লি হায়রি। মসিগীসু মথক্তা, চিঙ্গাক পুথোক্লিবা লৌমীশিংবু অৱাবা চৈথেং কয়াসু নংহল্লি : লোকলুরবা মহৈ-মরোংশিংবু য়োনবা নংদ্রিঙৈদা পৎ-পুমদুনা মাঙবা, লিদুনা থম্বদা মাঙবা কয়ামুক ঐখোয়না ইতৎ-তৎতনা থেংনরিবনি। অদুনা চিঙ্গাকশিংদা মহিক-মতাই চেল্লক্তুনা পৎ-পুল্লক্কদৌরে হায়না মাঙজৌননা খঙদোকপা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরক্লি। অসুম্না পুল্লকপা য়াবগী খুদম-চাংদম উৎলকপা অমসুং বেক্টিরিয়াশিং চঙলক্লে হায়বসি খঙহনবা ঙম্বা মখল মথেল কয়াগী মুগাগী মাইক্রোনীদলশিংনা শাবা ভেলক্রো মানবা চিঙ্গাক্কী সেন্সর অমা এম আই টি (মসাচুসেটস ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি) গী সাইন্টিষ্টশিংনা পুথোকপা ঙমখ্রে হায়রি।

সেন্সর অসিগী মাইক্রোনীদলশিংসি সিল্ক কোকুনশিংদা ফংবা, চাবা য়াবা প্রোটিনশিংগী সোলুসন অমদগী শেম্লকপনি, অদুগা অখন্নবা মুক মখল অনীগা লোয়ননা প্রিন্ট তৌরবা, সেন্সর অদুদা অমুক হন্না মহীশিংবু চেনশিল্লকপা ঙমহনবা মওং অমনি। 'বাইওইংকশিং' সিদগী অমনা pH রেঞ্জ অমগী মহীগা থেংনবা মতমদা মচু ওল্লকই, মসিনা চিঙ্গাক অদু পুল্লে হায়বা তাকই; অতোপ্পা অমরোমদনা, অতোপ্পা বাইওইংক অদুনা *ই কোলাই*গুম্বা বেক্টিরিয়াশিংগা থেংনবা মতমদা মচু ওল্লকই। থিজিন-লূপ অসিনা *ই কোলাই* য়াওরবা মহী অমা কাপশিল্লবা, তেক্লিবা ঙাগী শাদোং অমদা সেন্সর অদু থল্লম্মী। নোংমা মপূং ফাদ্রিঙৈদা, বেক্টিরিয়াবু মশক খঙবা ঙম্বা বাইওইংক প্রিন্ট তৌরবা সেন্সরদুগী শরুক অদুনা হিগোক মচুদগী অঙাংবা মচুদা ওল্লকখি, মসিনা ঙা অদু মহিক-মতাই চেল্লে হায়বা খঙবা ঙমখি। মসিগী মতুং পুং খরা লৈরগা pH সেন্সিটিভ বাইওইংক অদুগী মচুসু হোংলকখি, মসিনা ঙা অদু পুল্লে হায়বা তাক্লম্মী। অসিগুম্বা চিঙ্গাক অমবু পুম্বা হৌরক্লে অমসুং মহিক-মতাই চেল্লে হায়না খঙহনবা ঙম্বা কোলোরিমেত্রিক সেন্সর অমা শেমগৎ-শাগৎলকপগী অহানবা খোঙথাং অমা ওইরিবা অসিগী পাউদম অদু 'এদভান্সদ ফংস্নেল মেটযরিএলস' (সেপ্টেম্বর ৯, ২০২০) তা ফোঙদোরকখিবনি।

ঐখোয়না নুংতিগী চারিবা, পেকেটতা য়োল্লবা চিঙ্গাক অয়াম্বদা 'এক্সপাইরি দেট' য়াওই; অদুবু মতম অসি য়ৌদ্রিঙৈদা মহিক-মতাই চেল্লকপা অমসুং মতমসি হেল্লবা মতুংদসু চিঙ্গাক অদু চাবদা অকায়বা লৈতবসু অদুম থোকই। কনাগুম্বা অমনদি চিঙ্গাক অদুদা মহিক-মতাই চেল্লবসু এক্সপাইরি ওইদ্রি হায়বদগী চাশিল্লুবদগী নাবা; অতোপ্পা অমরোমদনা, চিঙ্গাক অদু এক্সপাইরি ওইরে (তশেংনদি চাবা য়ারিবা) হায়দুনা হুনে দাকখিবদগী অরেম্বদা চিঙ্গাক মাঙবসি থোকপা য়াই। অদুনা চিঙ্গাক অমা চারমদাইদা চাবা য়ারি নৎত্রগা য়াদ্রে হায়বসি খঙহনবা ঙম্বা সেন্সর অসিনা অরেম্বদা মাঙহনবা অমসুং অনাবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহনগনি হায়না এম আই টিগী দিপার্টমেন্ট ওফ সিভিল এন্দ ইনভাইরনমেন্টল এঞ্জিনিয়রিংগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর বেনেদেটো মারেলিনা ফোঙদোক্লি।


(ওয়্) নীদল ১০০ য়াওবা মাইক্রোনীদল এরে, (য়েৎ) নীদল অমগী স্কেনিং ইলেক্ট্রোন মাইক্রোস্কোপকী মমি



বাইওইংক প্রিন্ট তৌরবা সিল্ক মাইক্রোনীদল এরেনা চিঙ্গাক্কী মঙন তাকপগী শক্তম

জোন হার্ট অমসুং মহাক্কী লূপনা ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং সেন্সরশিংবু শেল চঙহন্দনা প্রিন্ট তৌবা য়াহল্লবা হায় রিজোলুসনগী ফ্লোক্সোগ্রাফি টেক্নিক অমা শেমগৎখি। মারেলি অমসুং মহাক্কী লূপনা মুগাদা য়ূম্ফম ওইবা মাইক্রোনীদল ষ্টাম্প অমা শেমগৎখি, মসিনা পাম্বীশিংদা হুৎলগা চঙখিদুনা ন্যুত্রিএন্টশিং পাম্বীশিংদা পীবা ঙম্মী। তোঙান-তোঙানবা টেক্নোলোজি অনীসি পুনশিল্লগা, চিঙ্গাক মখল-মখা কয়ামুক্কী মকু/সরফেস ফাউদুনা চঙবা ঙম্বা মুগাদগী ফংবা মাইক্রোনীদলশিং য়াওবা সেন্সর অসি শেমগৎলকখিবনি। অসিগুম্বা মুগা অসি চাবা য়াই, হু চেন্দে অমসুং চিঙ্গাক্কী মচল অমা ওইনা শীজিন্নবা য়াই।

অনৌবা সেন্সর অসি শানবগীদমক, দোয়ুন কিমনা কোকুনশিংদগী লৌথোরকপা প্রোটিন, সিল্ক ফাইব্রোইনগী মহী অমা শেমখি, অদুগা মসিবু সিলিকোন মাইক্রোনীদল মোল্ড অমদা হাপচিল্লি। কংহল্লবা মতুংদা, ফংলক্লিবা মাইক্রোনীদলশিংগী মরোলশিংদু অমমম লৌথোক্লম্মী; মাইক্রোনীদল অমগী অশাংবনা মিলিমিটর ১.৬ অদুগা থাবগী চাংনা মাইক্রোন ৬০০নি। মখা তারকপদা থিজিন-লূপ অসিনা বাইওইংক মখল অনীগীদমক সোলুসনশিং শেমগৎলম্মী, বাইওইংক অসি মচু ওনবা ঙম্বা প্রিন্ট তৌবা য়াবা পোলিমরশিংনি। মতাং অসিদা, লূপ অসিনা *ই কোলাই*-দা য়াওবা মোলিক্যুল অমবু খঙবা ঙম্বা এন্টিবোদি অমা বাইওইংক অমদা য়ানশিল্লি। এন্টিবোদি অদুনা মোলিক্যুলদুগা শোক্নবা মতমদা, মসিগী মওং-মতৌ হোংলকই অমসুং কোয়শিল্লিবা পোলিমর অদুদা ইল্লকই অদুগা বাইওইংক অদুনা মঙাল চুপশিনবগী মওং অদুসু হোংলকই। অসুম্না বাইওইংক অদুনা বেক্টিরিয়া য়াওরবা চিঙ্গাক্তা থেংনবদা মচু ওল্লকই।

অনীশুবা pH- কী চাংবু খঙবা ঙম্বা বাইওইংক অমসু চিঙ্গাক অদু পুল্লে হায়বা খঙনবগীদমক প্রিন্ট তৌশিল্লি। মখোয়না বেক্টিরিয়া খঙবা ঙম্বা বাইওইংক অদু 'E'- গী মওংদা মাইক্রোনীদলগী লৈমাইদা প্রিন্ট তৌশিল্লি; মসিগা হেক থংননা, pH খঙবা ঙম্বা বাইওইংক অদু 'C' ওইনা প্রিন্ট তৌশিল্লি। ময়েক অনীমক হিগোক মচুশিংনি। মসিগী মতুংদা কিমনা কেপিলরি এক্সননা মহীবু হেন্না লায়না চুপখৎলকপা ঙমহন্নবগীদমক মাইক্রোনীদল খুদিংমক্তা য়াম্না পিকপা মখুল (পোর) শিং হোহল্লম্মী। অসুম্না শেমগৎলবা সেন্সর অসি চাংয়েংনবগীদমক কৈথেলদগী লৈরকপা ঙাগী শাদোংশিংদা *ই কোলাই সালমোনেলা* নৎত্রগা মহিক য়াওদবা মহীশিং কাপশিল্লম্মী। শাদোং খুদিংমক্তা সেন্সর অমমম থিঞ্জিন্দুনা থনম্মী।

পুং ১৬-মুক্কী মতুংদা, থিজিন - লূপ অদুনা ই কোলাই য়াওরবা শাদোংশিং অদুখক্তদা 'E'-না হিগোক্তগী অঙাংবা ওল্লকপা থেংনরম্মী অদুগা সেন্সর অদুনা বেক্টিরিয়াগী এন্টিজেনশিংবু চপ চানা খঙবা ঙম্মী হায়বদু তাক্লম্মী। পুং কয়ামুক্কী মতুংদা, শাদোং লোয়নমক্তা 'E' অমসুং 'C' অনীমক অঙাংবা ওল্লক্তুনা পুল্লে হায়বা খঙবা ঙমখি। হৌজিক হৌজিক শীজিন্নরিবা সরফেস সেন্সরশিং অসিদি চিঙ্গাক অমগী লৈমায়/মমায়দা লৈবা মহিকশিংখক্তমক খঙবা ঙম্মী। চিঙ্গাক খুদিংমক্তা অহোবা মখুলশিং লৈ, মখোয়সি খাউজিন্দুনা মহিকশিংনা মনুংদা চঙখিবা ঙম্মী, অদুনা সরফেস সেন্সরশিংনা অসিগুম্বা মহিকশিংবুদি খঙবা ঙমদে।

এম আই টিগী অনৌবা সেন্সর অসিনা পেকেটতা য়োল্লবা চিঙ্গাকশিংবু পুল্লে নৎত্রগা পুমদ্রি অমসুং মহিক-মতাই চেল্লে হায়বা খঙহন্নবগীদমক, পেকেট অদুবু হাংদোক্লুবগী মথৌ তাদে। অদুবু মখোয়গী সেন্সর অসি হেন্না ফগৎহনবগী মথৌদি তারি। মসিগীদমক সেন্সর অসিনা চিঙ্গাক্তগী মহীশিংবংু হেন্না থুনা চুপশিনহনবা অমসুং মহিক-মতাইশিংবু বাইওইংকশিংনা থুনা খঙদোকপা ঙম্নবগীদমক থিজিনবা অসি মখা চথখিগদৌরি। মসিনা মায় পাক্লক্লবা মতমদদি, চিঙ্গাক পুথোক্লিবা, সপ্লাই তৌরিবশিং অমসুং লৈদুনা চারিবা মীশিংদা খুদোংচাবা কয়ামুক পীবা ঙম্লগনি। ●

# ক্রিকেট খ্বাইদগী হৈবা : দোনাল্ড ব্রেদমেন

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

ঐখোয় পূম্নমক্না ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয় দোনাল্ড ব্রেদমেনগী মমিং তাবা খক্তা নত্তনা হৌজিক ফাওবদা মহাক অসি মালেমদা খ্বাইদগী হৈশিংবা বেটসমেননি হায়না শিংথানরি। মহাক অসি হোকিদা ইন্দিয়াগী ধ্যানচান্দ অমদি ফুটবোল শান্নবদা ব্রাজিলগী পেলেগুম্বনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী ন্যু সাউথ ৱেলস ষ্টেটকী মখা থংবা শরুক্তা লৈবা অৱাংবা লৈতেম মান্নবা মফম অমদা বাউরেল কৌবা সহর মচা অমা লৈ। সহর অসিগী গ্লেবে ষ্ট্রিটতা ক্রিকেট শান্নফম লম্পাক অমা লৈ। লম্পাক অসি দোন ব্রেদ মেনগী ময়ূম ময়াদনি। কুমজা ১৯২০ অমদি মসিগী মখা তাবা চহী খরা মফম অসিদা মহাক ক্রিকেট শান্নরম্মী। মরম অদুনা মহাক্না শিখিবা মতমদা গ্লিবপার্ক হায়নসু খঙনবা লম্পাক অমদি মসিগী মনাক নকপদা লৈবা লমহাংশিংদা মহাক্না লৈখিদবগী হকচাংগী উৎ অদু চাইথোকখি। কুমজা ২০০০গী জুন ২৩দা পার্ক অসি ন্যু সাউথ ৱেলস ষ্টেটকী হেরিটেজদা রেজিষ্টর তৌখি।



ব্রেদমেন ম্যুজিয়মগা খূৎশম্নরগা মহাক্কী ফোটো ময়াম অমা খোমজিল্লগা 'এল্লন কেমশলি পব্লিশিং' না লাইরিক অমা ফোঙখি। লাইরিক অদু ফোটো ৪০০ য়াওবা অমদি ৱাহৈ ৬০,০০০ চঙনা ইবা লাইরিকনি। ফোটো খরদি ব্রেদমেন মশাগী লন্নাইনি। পাউচেদা, মেগাজিন্দা অমসুং লাইরিক্তা হাপখিবা ফোটোশিং নত্তে। লাইরিক অসি কুমজা ১৯৯৪গী ওক্টোবর থাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট কেপ্তেন ওইরম্বা রিচি বেনাওদনা ফোঙখি। শউননা মখুম পানবা থোইদোক হেন্দোক্লা ফজবা 'দিলক্স' কী এদিসন অদু দোনাল্ড ব্রেদমেনগী মমিং মশানা ইজবা অশেংবা সিগনেচর য়াওই। মমলদি দোল্লর ৬৫০নি। মহাক্লা লৈখিদ্রবা মতুংদা লাইরিক অমদা দোল্লর ১,১০০দা য়োনখি। লাইরিকশিং অদু য়োনবদা ফংলকখিবা শেনফম অদুনা মহাক্কী মমিংদা ম্যুজিয়ম অমা শাখি।

জেমস লিলিহৱাইট কৌবা অমনা লুচিংদুনা ইংলেন্দগী ক্রিকেট টিম অমা কুমজা ১৮৭৬-৭৭তা ওষ্ট্রেলিয়াদা ক্রিকেট শান্নবা চৎলম্মী। টিম অনী অসি মেচ অনী শান্নরম্মী। অহানবগী মেচ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ৪৫দা থোইখি। অনীশুবা মেচ অদুনা ইংলেন্দনা মায় পাকখি। মেচ অনী অদুবু মমৈ থংদা 'টেষ্ট মেচ' হায়না খঙনখ্রে।

থৌদোক অসিগী মখা তারকপা ওইনা লৈবাক অনী অসি চহীগী ওইনা নৎত্রগা চহী অনী-অনী লৈরগা টেষ্ট মেচ শান্নবা হৌখি। অসুম্না মেচ তৌবা অসিবু 'টেষ্ট মেচ' হায়না খঙনরকখি। অহানবদা ইংলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াখক্তমক টেষ্ট মেচ শান্নরম্মী। মথংদা খা অফ্রিকানা টেষ্ট শান্নবা অহুমশুবা লৈবাক ওইখি। মরমদি লৈবাক অসি ইংলেন্দগী মখা পোনবা মরম্না মফম অদুদা খুন্দারিবা ইংলিস মচাশিং অমদি য়ুরোপকী মফম কয়াদগী লৈবাক অদুদা লৈবশিংনা ক্রিকেট থৱায় য়াওনা শান্নখি। হৌজিক টেষ্ট মেচ শান্নবা লৈবাক ১২ শুরে। ইন্দিয়াগী ওইনদি কুমজা ১৯৩২গী জুন থাদা টেষ্ট শান্নবগী অয়াবা ফংখি।

মতম অদুদা টিম তরুক খক্তমক টেষ্ট শান্নবগী অয়াবা লৈখি। মখোয় অদুদি ওষ্ট্রেলিয়া, ইংলেন্দ, খা অফ্রিকা, ৱেষ্ট ইন্দিজ, ন্যু জিলেন্দ অমসুং ইন্দিয়ানি। ওষ্ট্রেলিয়ানা চহী খুদিংগী জন্যুৱারী ২৬ অসি ওষ্ট্রেলিয়া দে, ওষ্ট্রেলিয়াগী নুমিৎ হায়না পাঙথোকই। লৈবাক অসিগী ওষ্ট্রেলিয়াগী পোষ্ট ওফিসনা চহী খুদিংগী পোষ্টেজ ষ্টাম্পশিং ফোঙই। কুমজা ১৯৯৭তা ব্রেদমেনগী শক্তম য়াওবা পোষ্টেল ষ্টাম্প অনী ফোঙখি। প্র্যাইম মিনিষ্টর জোন হাওৱার্দনা ষ্টাম্পশিং অদু লোঞ্চ তৌখি। ষ্টাম্প অনী অদুগা চপ মান্ননা মসিগী মওংশিং অদু পিথ্রাইনা শারগা দোন ব্রেদমেনগী য়ূমগী গেত্তা, থোঙ্গালদা থমখি। প্রাইম মিনিষ্টর জোন হাওৱার্দনা শক্তম অদু হাংদোকখি।

সিদনিগী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট তর্মিনেলগী বি ৭৭৫ ময়াম অদুগী মনুংদা অমদি মহাক্কী মমিং থোনখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী এয়র লাইন অসিনা ভিয়েনা-সিদনি-মেলর্বন শম্নানা পাইরিবা জেট লাইনর অদুবুসু দোনাল্ড ব্রেদমেন হায়না মমিং থোনখি। বি ৭৭৭৩ অনী অমদি অইবা অরনেষ্ট হেমিংৱেগী মমিংদা অমদি লাই য়েকপা পেবলো পিকাসোগী মমিংদা লৈ। অদুগা বি ৩৭৩ য়ুরোপ্তা অতেনবা অনকপা মফমশিংদা পাইবা অমদি ইলভিস প্রেসলিগী মমিং থোল্লি।

ব্রেদমেন্না ফর্ষ্ট ক্লাস মেচতা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌখিদুনা মালেমগী রেকোর্দ থুগাইদুনা চহী ২৯ মহাক্কী রেকোর্দ অদু কনানসু থুগাইবা ঙমদনা লৈখিবা অদু জন্যুৱারী ৪ অমসুং ৬তা লেফফিল্ড পাইল্ড টুর্নামেন্টকী মেচ অমদা মহাক্না রন ৪৫২ নোক আউটতা লৌখিবা অদুনি। ইনিংস অদুদা মহাক্না বাউন্দরি ৪৯ য়ৈদুনা রন ১৯৬ ফংখিবগা লোয়ননা খ্বাইদগী থুনা অমদি খ্বাইদগী নহা ওইনা রন ৪০০ লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইখি। মহাক্না রন ৪৫২ নোক আউটতা লৌদুনা অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখিবা অদু হান্নগী রেকোর্দ পায়খিবা বিল পোন্সফোর্দকা য়েংনরুবদা পোন্সফোর্দদি রন ৪৩৭ লৌবদা মিনট ৬২১ চঙখি। ●